য়ুনিভর্সেল ফ্রেন্দশিপ ওর্গনাইজেসন (য়ু এফ ও)না স্পোন্সর তৌদুনা ইম্ফাল ইষ্টকী য়াইরিপোক পোইরৌখোংজিন কাইনা চীংখোঙদা লৈবা ৱেষ্টর্ন য়ুথ ক্লবকী গ্রাউন্দদা হুয়েন লাংলোন শিন্তম শঙলেন অমা হাংদোকখিবা

এক্সত্রা-জুদিসল ইগজিক্যুসন ভিক্টিমস ফেমিলিজ এসোসিএসন (ঈভম)না মণিপুরদা থোক্লিবা ঈরাংসি য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা অথুবা মতমদা লোইশিনবীয়ু, অফস্পা মপুং ফানা লৌথোকপীয়ু হায়না প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাঊজী মীফম ফোঙদোকখিবা

অখিল ভারতিয়া বিদ্যার্থি পরিষদ মণিপুর পাৎশোই য়ুনিটনা চীফ মেদিকেল ওফিসর ইম্ফাল ৱেষ্টকা খূৎশম্নদুনা তাকয়েলদা লৈবা মণিপুর টেক্নিকেল য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোয়শিং অমসুং ফেকল্টিশিংদা ফ্রী হেল্থ চেক অপ পাঙথোকখিবা

ইন্দিয়ন আর্মিনা ওপরেসন সদভবনাগী মখাদা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চন্না লৈবা তফৌ নাগা ভিলেজদা নোংগী ঈশিং য়োকশিন্নবা রেন হার্ভেষ্টিং টেঙ্ক অমা শাদুনা খূঞ্জাশিংদা খূৎশিন্নখিবা

থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মার্চ ১৩ (ঐচ এন এস) : মণিপুর লৈঙাক্কী ভেটিরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দরি দিপার্টমেন্টকী জোইন্ট দিরেক্তর ডা. আর কে খোগেন্দ্রজিৎপু দিপার্টমেন্টসিগী দিরেক্তর (এম ভি এস গ্রেদ-ৱান) ওইনা খল্লকখিবগীদমক্তা দি ইন্দিয়ন ভেটিরিনরি এসোসিএসন মণিপুর ব্রাঞ্চনা চীফ মিনিষ্টর, দিপার্টমেন্টসিগী মিনিষ্টর, চীফ সেক্রেটরি অমদি দিপার্টমেন্টসিগী সেক্রেটরিবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

লুচিংবা ৩ ফাখিবা কন্দেম তৌই : পি আর সী এম

ইম্ফাল, মার্চ ১৩ (ঐচ এন এস) : পিছ এন্দ রিফোর্মেসন কম্মিটি মণিপুর (পি আর সী এম)গী প্রসিদেন্ট এস দেবরাজনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকা সিজ ফায়র চৎনরিবা পাম্বৈনা লুচিংবা য়ু এন এল এফকী চীফ ওফ আর্মি শিদবা মপু, চীফ ইন্টল্লিজেন্স ঈংবা অমদি কাদর অমা এন আই এনা ফাখিবগী থৌদোক কন্দেম তৌরক্লি। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেয়র্স অমসুং মণিপুর গভর্ণমেন্টতা ফাখিবশিং থাদোকপীরক্নবা তকশিল্লক্লি।

এম পি পিগী স্পেসল মীটিং পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মার্চ ১৩ (ঐচ এন এস) : মণিপুর পিপলস পার্টি (এম পি পি)গী সিনিয়র সেন্ট্রেল কম্মিটি মেম্বরশিং মৈকাম ইবোবী, য়ুম্নাম ভিম অমদি আর কে মোধুনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা পার্টি অসিগী সেন্ট্রেল কম্মিটিগী ওইবা অখন্নবা মীফম অমা থা অসিগী ১৫গী অয়ুকপুং ১১ তবদা পার্টি অসিগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

অখন্নবা সেন্ট্রেল কম্মিটিগী মীফমসিদা মরু ওইনা হৌজিক-হৌজিক হাংদুনা লৈরিবা ইন্টরিম পার্টিপ্রসিদেন্টকী মতাংদা খন্নগনি। মসিগা লোয়ননা কুম্মজা ২০২৪গী পার্লিয়ামেন্টরি ইলেক্সনসিগা মরী লৈননা পার্টিসিগী ওইবা মীরেপ খন্ননবগী মতাংদসু খন্নগনি। মসিগা লোয়ননা অতৈ মরু ওইবা হীরম কয়া খন্নগদবা মীটিংসিদা পার্টিসিগী মরী লৈনবা মেম্বর খূদিংমক্না মতম চানা লাক্তুনা শরুক য়াবীয়ু হায়না চেরোলসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ঈশিং য়োকশিন্নবা থৌরাং

ইম্ফাল, মার্চ ১৩ (ঐচ এন এস) : পি আই বি দিফেন্স ৱিংগী পি আর ওনা থাদোরকপা চেরোল অমদা ইন্দিয়ন আর্মিনা ওপরেসন সদভবনাগী মখাদা নোংগী ঈশিং য়োকশিন্নবা রেন ৱাটর হার্ভেষ্টিং টেঙ্কি অমা শাবগা লোয়ননা পাইপ লাইনশিং সেনাপতি দিষ্ট্রিক্তকী মনুংদা লৈবা তফৌ নাগা ভিলেজদা তিংখ্রে হায়রি।

খূঞ্জাশিংদা শাদুনা শীন্নখিবা ৱাটর টেঙ্ক অদু ঈশিং লিটর লিশিং ৪ চল্লি অমদি পাইপ লাইনগী খূৎথাংদা কেসমেন্ট পোন্দশিংগা শম্নহল্লি হায়রি।

গভর্ণরনা নেসনৱাইদ আউটরিচ প্রোগ্রাম শরুক য়াখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৩ (ঐচ এন এস) : রাজভবন ইম্ফালগী গভর্ণরগী সেক্রেটরিয়েটতগী থাদোরকপা চেরোল অমনা ঙসি রাজভবনগী কনফরেন্স হোলদা লৈবাক শীনবা থুংনা পাঙথোকপা মেকিং নেসনৱাইদ আউটরিচ ফোর ক্রেডিট সপোর্ট টু ওন্টুপ্রেন্যুর ফ্রোম দিসএদভান্টেজ সেক্সন্সকী থৌরমদা গভর্ণরনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

থৌরমদু ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ভিদিও কনফরেন্সকী খূৎথাংদা হৌদোকখিবনি। থৌরম অদু ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী দিপার্টমেন্ট ওফ সোসল জষ্টিস এন্দ ইম্পৱারমেন্টনা লৈবাকসিগী শোত্থনা লৈহৌরবা মীওইবা খুন্নাইগী মীয়ামদা লাইরিক-লাইশু অমদি শেন্মীৎলোনগী মতাংদা অহেনবা অখন্নবা তেংবাঙ পীনবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি।

থৌরমসিগী মখাদা লৈঙাকসিনা তোঙান তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংগী স্কিম কয়া পায়খৎলক্লিবসি ফংফম থোকপা বেনিফিসরিশিংদা হায়ব্রিদ মোদকী টেক্নোলোজি শীজিন্নদুনা ওন্টুপ্রেন্যুরশিংদা তেংবাঙনবগী পান্দম থক্লি। মখা তানা মিনিষ্ট্রিসিনা অপীকপা শেন্দোইগী চাংদা লৈবাকসিগী শোত্থনা লৈরবা লায়রবা মীয়ামদা লোনগী খুদোংচাবা পীদুনা মখোয়গী পূন্সি অমসুং শেন্মীৎলোনগী ফীভম ফগৎহন্নবা হোৎনগনি হায়রি।

অমরোমদা, গভর্ণরনা ঙসি ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খূৎথাংদা 'প্রধান মন্ত্রি সমাজিক উত্থান এন্দ রোজগার অধারিক জনকল্যান' (পি এম-সুরজ) হায়বা নেসনল পোর্টেল অমা ভর্চুএল লোঞ্চ তৌবদসু শরুক য়াখি। পোর্টেলসিগী মখাদা লৈবাকসিগী তোঙান-তোঙানবা ওন্টুপ্রেন্যুর লাখ ১দাগী অমসুং সিমলেস মেকানিজমগী খূৎথাংদা ক্রেডিট সপোর্ট ফংহন্নবা পান্দম থক্লি। থৌরাংসিগী মখাদা ইলিজিবল ওইরবা লৈবাকসিগী মীচমশিংদা চহীদা চাদা ৩.৫তগী ৯গী চাংদা শেন্থং ফংহনগনি। শেন্থংশিং অদু বেঙ্কশিং, এন দি এফসী-এম এফ আই এসনচিংবা পার্টনরশিংগী খূৎথাংদা ফংহনগনি হায়রি।

লৈঙাক্লা শেল লৈতে হায়রগা কন্ট্রেক্ট বেসিসতা থবক ময়াম লৌরিবসিগী খূৎশুমল কদায়দগী পীদৌরি : জে এ সী

ইম্ফাল, মার্চ ১৩ (ঐচ এন এস) : লৈঙাক্লা লৈঙাক্কী শেল লৈতে হায়রগা কন্ট্রেক্ট বেসিসতা থবক ময়াম লৌরিবসি কদায়দগী শেলনা খূৎশুমল পীগদৌরি হায়না জেইন্ট এদমিনিষ্ট্রেটিভ কাউন্সীল (জে এ সী) ওফ এমটুক এন্দ এম জি ওগী সেক্রেটরি (এদমিনিষ্ট্রেসন) থোকচোম প্রেমানন্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোলসিনা মখা তারদুনা, পূকচেল শেংবা লৈঙাক অমা ওইরগদি সেঙ্কসন তৌদুনা লৈরবা পোষ্ট ভেকেন্সিশিং চাউরাক্লা লিশিং ৪১ রোমসি মেনশিনবীবা ওইরবদি মখোয়গী ফন্দশিং অসুম্মক লাকচরগদবনি। লাইরিক হৈরবা নহারোলশিংসু থবক ফংলগনি। অদুদি নত্তনা চহী অমগী কন্ট্রেক্ট বেসিসতা থবক লৌবসিদি লোক সভা মীখলগীদমক মীয়ামদা লাং থাক্তুনা শেল তানবনি হায়রোইদবগী মরম লৈতে।

অমরোমদা, গ্রেদ থ্রী অমসুং ফোরগীদমক্তদি ষ্টাফ সেলেক্সন কম্মিটি অমা মণিপুরগী শেমখ্রবনি। য়ূম্লোন্নবা নাগালেন্দদদি গ্রেদ থ্রী, ফোর লৌবগী থবক মখোয়গী ষ্টাফ সেলেক্সন কম্মিটিদা শীন্নখ্রে। মখোয়গী লৈঙাক অমদি মরী লৈনবা লেজিসলেটিভ মেম্বরশিংদি চীংলেম্না লৈনখ্রে। অসুম্না মণিপুরগী লৈঙাক্লা হৌজিক লৌরিবা থবকশিংসি ষ্টাফ সেলেক্সন কম্মিটিদা শীন্নবীদ্রিবসি নাগালেন্দগীমমাঙদা শাথিনা ঈকায়নিংঙাইনি।

মণিপুর লৈঙাক্লা থৌমীশিং অমসুং পেন্সনরশিংগীদমক্তা চাদা ৪ দি এ/দি আর পীবীরকপগীদমক্তি জে এ সীগী মায়কৈদগী তৌবীমল খঙবা উৎলক্লি। তৌবতবু কুম্মজা ২০২২গী দিসেম্বরদগী চাদা ২৮ পীখিবদুগী মতুংদা ২০২৪গী মার্চ ১দা পীবা হৌগদৌরিবা চাদা ১২সি থা ১৩গী মতুংদা পীবনি। মদুসু শুপ্নগী চাদা ৪ খক্লি। সেন্টরগীদি থা ৬ খূদিংগী লেপ্তুনা পীদুনা চহীসিগী জন্যুৱারীদগী চাদা ৫০ ফংলি হায়না ফোঙদোরক্লি।

নোংমৈ পায়দুনা অকি-অখং পোকহল্লম্ববু য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মার্চ ১৩ (ঐচ এন এস) : খুমন য়ুনাইটেদ ক্লবস এন্দ মৈরা পায়বী এসোসিএসন (কে য়ু সী এম এ), ময়াং ইম্ফালগী প্রসিদেন্ট জয় পোৎশংবমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা অঙৌবা মচুগী ক্রেটা অমদা তোংদুনা লাকপা মীওই অহুম্না মখূত্তা নোংমৈ মচা অমমম পায়রগা লাইফ এটেম্প তৌবগা লোয়ননা থিঙুজম গোবিন্দ দাস অপোকপা টি ঐচ ইবোমচা থৌবাল কিয়াম ৱাংমতাবা মখা লৈকায় অমসুং চোংথাম শ্যামচন্দ্র ময়াং ইম্ফাল থানা অৱাং লৈকায়বু ফূরন্থবগী থৌদোক অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

থোকখ্রিবা থৌদোক অদু হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুংথিল পুং ১.৩০ রোম তাবদা ময়াং ইম্ফাল বিষ্ণুপুর রোদ দিভেলপমেন্ট কম্মিটিগী থৌমীশিংনা জে সী বি পোক্লেম অমগা লোয়ননা লম্বী পাকথোক-চাউথোকপগী থবক পাঙথোক্লিঙৈদা অকি-অখঙগী থৌদোক অদু চথরম্বনি হায়রি।

চেরোলসিনা মখা তারদুনা, লম্বী শেম্বনা মরম ওইরগা অচৎ-অওক গাড়ীশিং ঙাইহাক খামহন্দবা য়াদদুনা খাল্লুবদা পার্টিগী থবক্লি, হোর্ন খোংলিবসি ননা তাদ্রা হায়দুনা ফূরমখিবনি। লৈবাক মীয়ামদা করম্বা পার্টিনা পাঙথোকখিবনো হায়বদু খঙহনবীয়ু। অসুক লুরবা তনফমসিদা ঐখোয়মশেল খূৎ থানবা অমসুং অঙম তান্নবা হায়বসি এসোসিএসনসিনা য়াবা ঙম্লোই। অথুবা মতমদা এসোসিএসনসিদা চঙজরক্তুবদি লৈবাক মীয়াম্না মরাল লৈবা মীওইশিং থিনবা হোৎনরগনি হায়রি।

খোংনাংথাবা য়ুনিভর্সিটিদা ওর্গান দোনেসন এন্দ ট্রান্সপ্লান্টকী এৱ্যেরেন্সে প্রোগ্রাম

ইম্ফাল, মার্চ ১৩ (ঐচ এন এস) : ঙসি খোংনাংথাবা য়ুনিভর্সিটিনা য়ূম্থু ওইদুনা মোহন ফাউন্দেসনগা খূৎশম্নরগা নোংমগী ওইবা এৱ্যেরেন্সে প্রোগ্রাম 'ওর্গান দোনেসন এন্দ ট্রান্সপ্লান্ট প্রোসেস' হায়বা হীরমসিদা পাঙথোকখ্রে হায়না য়ুনিভর্সিটিগী রেজিষ্ট্রার ডা. এ সুনিলনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

UNDER THE GOVERNM INDIA'S INITIATIVE
AYUSH
by: Khongnangthaba Univer aboration with Mohan Fo
13th 024
nue: Auditori a University
Khurai East.

য়ুনিভর্সিটিসিগী ওদিটোরিয়ম নম্বর টুদা পাঙথোকখিবা থৌরমদুদা ডা. অরিবম গুনেশ্বর্র দিন এন্দ দিরেক্তর স্কুল ওফ এলাইট হেল্থ সাইন্সেস (অয়ুশ), খোংনাংথাবা য়ুনিভর্সিটিনা থৌরম মপু ওইখি। মোহন ফাউন্দেসনগী প্রোগ্রাম ওফিসর লাইশ্রম মোনিকা অমদি মোহন ফাউন্দেসনগী ট্রান্সপ্লান্ট কোওর্দিনেটর থোইদিংজম উদয়িনি খুমননা সবজেক্ট এক্সপার্ট ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম মপুগী ৱারোল পীরদুনা ডা. অরিবম গুনেশ্বরনা হায়খিবদা, মালেমদা মেদিকেল সাইন্সনা ঙমখৈ লৈতনা চাওখৎলক্লবসু মীওইবগী হকচাং কয়াৎশিংগী মহুৎ শীনবা ঙমদবা কয়া লৈরি। খুদম ওইনা মীওইবগী হকচাংদা চেল্লিবা ঈ, মীৎ, কিদনি, লংসনচিংবা কয়াৎশিংসি খূৎশেম্না শাবা পোৎলমনা মহুৎ শীনবা ঙমদ্রি। অদুম্নদি ওইরগা কনাগুম্বা মীওই অমনা লৈখিদ্রবা মতুং অকক্লবা পুংফমগী মনুংদা কয়াৎশিং কথোক্লা অতোপ্পদা কান্নবা পীবা ঙম্লকপসি পুক্লিং থৌগৎনিংঙাইনি হায়খি।

তাকয়েলপাৎতা ফ্রী হেল্থ চেক অপ

ইম্ফাল, মার্চ ১৩ (ঐচ এন এস) : অখিল ভারতিয়া বিদ্যার্থি পরিষদ (এ বি ভি পি) মণিপুরগী ষ্টেট ওফিস সেক্রেটরি এল রাজেশনা থাদোরকপা চেরোল অমনা অখিল ভারতিয়া বিদ্যার্থি পরিষদ পাৎশোই য়ুনিটনা শীন-লাঙদুনা মণিপুর টেক্নিকেল য়ুনিভর্সিটি তাকয়েলপাৎতা মহৈরোয় অমদি ফেকল্টি মেম্বর পুন্না ২৫০ লেম্না হেল্থ চেক অপ পাঙথোকখ্রে হায়রি।

এ বি ভি পি পাৎশোই য়ুনিটনা চীফ মেদিকেল ওফিসর ইম্ফাল ৱেষ্টকা খূৎশম্নদুনা পাঙথোকখিবা হেল্থ চেক অপগী থৌরমদুদা মথৌ তাবা পোৎলমশিং চীফ মেদিকেল ওফিসরগী ওফিসকী মায়কৈদগী পাঙলকখি। হেল্থ চেক অপ থৌরমদুদা মরু ওইনা ব্লদ প্রেসর, ব্লদ সুগর লেভেল অমসুং অতৈ হকচাংগী নুংঙাইতবা কয়াগী মরমদসু হকথেংননা তান্ন-খোৎনবগা লোয়ননা মথৌ তাবা পাউতাকশিং পীখি। মদুগীদমক এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর শরতচন্দ্র হঞ্জবম প্রসিদেন্ট এ বি ভি পি পাৎশোইনা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

রিলিফ কেম্পতা ও পি দি কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৩ (ঐচ এন এস) : কর্কিনোস মণিপুর কেন্সর ইন্সটিট্যুট অমসুং রিছার্স সেন্টরনা শীন-লাঙদুনা ও পি দি কেম্প অমসুং মেদিকেল এইদ পীবগী থৌরম অমা ইম্ফাল ৱেষ্টকী লম্বোইখোংনাংখোঙদা লৈবা ত্রেদ এন্দ এক্সপো সেন্টর রিলিফ কেম্পতা পাঙথোকখ্রে হায়না কর্কিনোসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

রিলিফ কেম্পদুদা লৈবা ইনমেট নুপা-নুপী ২৫০ রোম মেদিকেল এগজামিনেসন পাঙথোক্তুনা হেল্থ ক্যের সপোর্টপীখি। মসিগা লোয়ননা মীওই ২০০ রোম্না অয়ুশমান ভারত হেল্থ একাউন্ট (এ ভি ঐচ এ) কার্দ এনরোল তৌখি। কেম্প অদুদা কর্কিনোসকী দিরেক্তর অমসুং সী ঈ ও ডা. (প্রো.) জি এস মোইরাংথেম য়াওনা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা মেদিকেল অমসুং পেরামেদিক্সকী টিম অমনা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা রিছার্স সেন্টরসিগী আর এম ওশিং, নর্স অমসুং লেবোরেটরি টেক্নিসিয়নশিংনা শরুক য়াখি হায়রি।

থৌবালদা রিটেল্লরশিংগী ওইবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৩ (ঐচ এন এস) : ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মিনিষ্ট্রি ওফ পৱার, ব্যুরো ওফ ইনর্জিনা পায়খৎপা ষ্টেন্দর্দ লেভেলিং প্রোগ্রামগী মখাদা মণিপুর ষ্টেট পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পেনি লিমিটেদ (এম এস পি দি সী এল)না শীন্দুনা ঙসি থৌবালগী দি সী কমপ্লেক্সতা লৈবা ইলেক্সন কাউন্টিং হোলদা নোংমগী ওইবা রিটেল্লর ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুদা দেপ্যুটি কম্মিস্নর থৌবাল অহন্থেম সুভাশ, এম এস পি দি সী এলগী মেনেজিং দিরেক্তর হিজম শান্তিকুমার অমসুং এম এস পি দি সী এলগী ইগজিক্যুটিভ দিরেক্তর (টেক্নোলোজি)না মথংশিংনা অথোইবা মীথুং, থৌরম মপু অমসুং অখন্নবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

ত্রেনিং প্রোগ্রামদু হৌদোকপগী ৱারোল পীরদুনা দি সী অহন্থেম সুভাশনা হায়খিবদা, পাঙথোক্লিবা রিটেল্লর ত্রেনিং প্রোগ্রামসি মরু ওইনা ঐখোয়না শীজিন্নরিবা ইনজিসি লোইবা নাই, মসিবু মতৌ করম্না কঞ্জর্ভ অমদি সেভ তৌগনি হায়বসি রিটেল্লরশিংদা খঙহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি। রিটেল্লরশিংনসু পাঙথোক্লিবা ত্রেনিংসিদগী ফংলকপা পুক্নিং লৌশিংদু লৈমিন্নরিবা মীয়ামদা অমুক য়ৌহনগদবনি হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ত্রেনিং প্রোগ্রামদু হৌদোকপগী থৌরমদা থৌরম মপু ওইখিবা এম এস পি দি সী এলগী মেনেজিং দিরেক্তর হিজম শান্তিকুমারনসু ঐখোয়গী লোইবা নাইবা ইনর্জিশিংসি কলহৌবনা ঐখোয়গী শেন্মীৎলোনগী ফীভম ফগৎহনবদা নত্তনা কার্বোন থাদোকপসু হন্থহনি হায়খি।

ইন্টিগ্রেটেদ কম্যুনিকেসন এন্দ আউটরিচ প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৩ (ঐচ এন এস) : সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ কম্যুনিকেসন, রিজনল ওফিস ইম্ফাল, মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা শীন্দুনা তৌসেম গভর্ণমেন্ট হায় স্কুল তৌসেম খুল্লেম, তৌসেম সব-দিভিজনল হেদ ক্বার্টরদা ঙসি নোংমগী ওইবা ইন্টিগ্রেটেদ কম্যুনিকেসন এন্দ আউটরিচ প্রোগ্রাম (আই সী ও পি) সিষ্টেমেটিক ভোটর্স এদ্যুকেসন এন্দ ইলেক্টোরেল পার্টিসিপেসন (এস ভি ঈ ঈ পি) হায়বা হীরমসিদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুংগী ৱারোল পীরদুনা স্কুল মেনেজমেন্ট দিভেলপমেন্ট কম্মিটিগী কন্ভিনর পি সিয়লাকপ্না ফোঙদোকখিবদা, ভোটর খূদিংমক্না মীখলদা মখোয়গী ভোট থাদবগী রাইট অদু মুন্না খঙগদবনি। মদুগা লোয়ননা মীখল মতমদা মনিং তম্না থোরক্লিবা মীরেপশিং অদুগী মনুংদা করম্বনা মতিক চাবগে হায়বদু খঙবা ঙমগদবনি হায়খি।

অখন্নবা মীথুং ওইখিবা হাইদুঅদাংনা ফোঙদোকখিবদা, মশা-মউ ফবা চাওখৎপা খুন্নাই অমা শেমগৎনবগীদমক্তা ভোটরশিংবু ৱাখল-লৌশিং লৈহনবা মথৌ তাই। মখোয়না খনগৎলকপা মতিক চাবা, মগুণ লৈবা মীহুৎশিংদুনা লৈঙাক্কী থৌদাং লৌগদবনি হায়খি। স্কুল এদমিনিষ্ট্রেটর নাটচিন পানমৈনা রিছোর্স পার্সন অমা ওইনা ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিন অমসুং বেল্লোট পেপরনচিংবগী মতাংদা শন্দোক্লা ঙাংখি।

ভাইওলেন্স খুদক্তা লেপ্পু, অফস্পা মফম খূদিংমক্তগী লৌথোকউ : ঈভম

ইম্ফাল, মার্চ ১৩ (ঐচ এন এস) : লমদমসিদা থা ১০ হেন্না ঈরাং থোক্তুনা মীওই কয়াগী পূন্সি মাঙখিবা অসিদা পেন্দবা ফোঙদোক্তুনা এক্সত্রা-জুদিসল ইগজিক্যুসন ভিক্টিমস ফেমিলিজ এসোসিএসন (ঈভম) মণিপুরনা ঈরাংসি য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা খুদক্তা লেপহল্লু অমসুং মণিপুরগী মফম খূদিংমক্তগী আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পৱার্স এক্ট (অফস্পা) মপুং ফানা লৌথোকউ হায়না এসোসিএসনসিগী সেক্রেটরি ইদিনা য়াইখোমনা ঙসি মেজোর খুলদা লৈবা মণিপুর প্রেস ক্লবকী থাংজিং হোলদা পাঙথোকপা পাঊজী মীফম অমদা ফোঙদোকখ্রে।

মীফমদুদা মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ইরমদমসিদা মতম কুইনা মীশি-মীনা কয়া থোক্তুনা মমা-মচা, মচিন-মনাও, ইমুং-মনুং কয়া কায়নখ্রবা মতুংদা মতম খরা তংদু লৈতাবা ফীভম লাক্লে হায়না হরাওজরুরগা হৌখিবা চহীগী মে ৩দগী হৌনা লমদমসিদা থোক্লিবা ঈরাংসিনা মীওই ২০০ হেন্না থৱায় মাঙহনখ্রে। মসিদা অফস্পাগী পৱারবু লান্না শীজিন্নদুনা মীওই কয়া অমসু হাত্তোকপীখ্রবনি। মদুগী থৌদোক অদুবু হন্দক্কী কুকিশিংগী লান্দাসিনা অমুক নৌহৌননা নীংশিংহল্লে। মতমদুদা অৱা-অনা তাখিবা অদুগা চপ মান্ননা ঙসি লমদমসিদা থোক্লিবা ঈরাংসিনা মরম ওইরগা নুপী কয়া লুখ্রাবী ওইহৌরে। মমা ওইবী কয়া মচা কায়নরে। মচা কয়ানা মমা-মপা উনবা ফংদ্রে।

অসিগুম্বা এক্সত্রা জুদিসল কিল্লিংগী মওংগা মান্নবা মীশি কয়াসি থোক্তেনবা য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা মণিপুরদা হৌজিক-হৌজিক থোক্লিবা ঈরাংসি খুদক্তা লোইশিন্নবা থৌরাং তৌবীগদবনি। চহী খরগী মমাঙদা মফম খরদগী লৌথোকখিবা অফস্পা অদুসু অমুক হন্না থমজিল্লকপগী মথৌ তাদে। লমদমসিদা তংদু লৈতাবা পুরক্লবগীদমক অফস্পা ১৯৫৮ মপুং ফানা লৌথোক্কদবনি হায়খি।

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

চহীগী দশা য়েংজরি / [illegible]

মপোক্কী কুঠী অমদি খুবাক ময়ি সাইন্টিফিক্ট ওইবা মওংদা কুপথনা য়েংজরি। চহিগী দশা-লাংফম, অঙাংগী মহৈ-মশিং, পক্লবা সবজেক্ট, অৱাংবা পরিক্ষা, লাইরিক্তা থৱায় য়াওদবা, পক্লবা শিনফম, সরকারগী থবক, লল্লোন-ইতিক, শেল-থুম, য়ুম-ইংখোলগী অফ-ফত্ত, লুহোংফাল, য়ুম্বাল, ইচা-ইশু, ইমুং মহী লাংবা, হায়ন-তানবা য়াদবা, পক্লবা গাড়ী, লক্কি ষ্টোন, হকচাংগী নুংঙাইতবা মরমশিং য়েংজরি। হেন্না ফগৎনবা তান্নবীয়ু। ওনলাইনদসু য়েংবীবা য়াগনি।
ৱাটচএপ নম্বর ৯০৭৭১৮৮৪৫৬।

Contact : JM Dr Ph Rajendra
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Imphal East, Manipur

HL-B/8620/11 to 15 April

[illegible]
M/S BEE BRICK FIELD
Wangjing Sabal Checkon Leikai
Near, Khongjom War Memorial
GSTIN - 14CMPYS1064C2ZU

Class	Rate	No. Of Bricks	Amount
1st Class	13.00	1,500	19,500
		2,000	26,000
2nd Class	12.20	1,500	18,300
		2,000	24,400
1st Reject	11.00	1,500	16,500
		2,000	22,000
Jhamat	10.00	1,500	15,000
		2,000	20,000
P.T	10.50	1,500	15,750
		2,000	21,000
P.T Reject	8.50	1,500	12,750
		2,000	17,000
3rd Class	5.50	1,500	8,250
		2,000	11,000
4th Class	4.00	1,500	6,000
		2,000	8,000
Checktek 1 Load 407 Cantor			3,500

Contact No. 6009512716

HL-P/9855/6 to 20 March

CAS Coaching Centre
CAS Building, 2nd floor Keishampat Junction Imphal
Admission Open
FOUNDATION COURSES
CLASS XII
(Phy, Che, Maths, Bio, Home Sc. & Eng)
CLASS XI
(Phy, Che, Maths, Bio, Home Sc. & Eng)
CLASS X
(English, Maths, Science, Social Sc. & Home Sc)
Hurry!!! Seats are limited First Come First Served
Special features:
- Concession for 1st come 10 students
- Special Concession for Meritorious, Ethnic Victim Students.
- Experienced and Expert Faculties.
- Supply Chapterwise Study Materials.
- Targeted Suggestion for Final Exam. by Experts.
- Weekly and Monthly Test Series.
- 30 Students for each Batch.
- Vision for Toppers in 2025

Hostel for BOYS & GIRLS Available
Classes commencing from
18th March, 2024(1st Batches) & 4th April, 2024(2nd Batches)
Morning:(4.00/4.30- 7.00/7.30) A.M. # Evening:(4.00-7.00)P.M
For Details:- CAS Office, 2nd floor Keishampat Junction Imphal (Mayai Lambi Machin) # 6033817130

HL-B/8605/7 to 31 March

Apollo Academy [illegible]
Kwakeithel Bazar, Airport Road-01
(In touch with Shri Cheitnya)
Registration is going on for
NEET (UG) - 2024
Students Scoring 90% above in HSLC-2022
Class starts : 11th March, 2024 Session : Morning
[7.00a.m. to 11.45a.m.]
Course fee: ₹ 10,000
Two months Hostel feeship free for
(a) Relief camp NEET -24 aspirants and (b) Students scoring 90% and above in HSLC-2022.
Special Features:
✓ Daily practising problems
✓ Class duration: 1hr. & 15 min.
✓ Daily 4 classes: Phy, Chem, Bot, & Zoo.
Sunday open
✓ Mock test on every Sunday
✓ Explanatory (solution) classes after tests
✓ 2 Mega Mock test (XI Sc. & XII Sc. section)
Forms Available:Apollo Office, Kwakeithel, Near Amuco Office (9am. to 3p.m.)

HL-B/8604/6 to 25 March

[illegible]
PLANET ACADEMY
KEISHAMPAT JUNCTION OPT. CC PUR PARKING
Gateway to future academic career
ADMISSION OPEN FOUNDATION COURSE
EVENING SHIFT CLASS-XII
Phy., Chem., Maths., Bio. & Eng. COHSEM & CBSE
Classes commencing on 21st March, 2024
EVENING SHIFT CLASS-XI
Phy., Chem., Maths & Bio. Cohsem & Cbse
Classes commencing on 18th April, 2024
MORNING SHIFT seperate batches:-
CLASS-XII Cohsem & Cbse
Chem. & Bio only
Class starts on 21st March 2024
Provisions:
- Prize for test series toppers
- Sub: choice provided under some conditions

Class Timing
Morning Shift: 4:30 - 6:45 am
Evening Shift: 4:15 - 8:00 pm
Special Features:
- Focus & provided foundation for NEET & JEE aspirants
- Vision for toppers
- Analysis of most probable Q&A for the upcomming final exam, 2025
- Regular chapterwise test series on every sunday
- Extra classes for weak students on regular basis
- Special concession for students of Govt. schools & relief camps.

Van service & Seperate hostels for boys & Girls
Limited seats First come first serve with concession
For further details, please contact: Office, PLANET ACADEMY # 9863002206

HL-B/8624/12 March to 16 April alt.